ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, দিসেম্বর ০১, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২৪২শুবা মশীং

# এস টি লিষ্টতা খুরৌ

## পন্থদনা ময়ায় লেপহৌবা চুমগনি

মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাকসিগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহল্লু, চলহনগদবনি হায়দুনা তাল্লক্লিবা দিমান্দসি করিদগী করিগীদমক তাল্লক্লিবনো হায়বসিদি হঙ্গৎনা হঞ্জিন্না পোপথোক্লুদ্রবসু য়ারগনি। মরমদি দিমান্দসি চহী ১০ হেনবগী মমাঙদগী তান্দুনা লাক্লিবনি। চহী লিশাং শিংনা তাল্লক্লবসু ফংদ্রি। অদুনবু দিমান্দসি তাল্লক্লিবা কাঙবুগী মায়কৈদগী খোঙফম হন্দোক্ত্রি। থোইনা হেন্নদুম কনশিল্লক্লি। হৌজিক ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা লৈরিবা মেম্বর ৬০গী মনুংদগী ৱাবগাইগী এম এল এ ডা. উশম দেবেন ফাওবদা মিনিষ্টরশিং য়াওনা অতোপ্পা ফমশিং পুবা য়াওনা মেম্বর ১৮দা দিমান্দসিগী মরী লৈনবা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দম লৌশিল্লবা মতুংদা মখোয়না ফোঙদোক্লুরকপা ৱাফমশিংসু তারে। মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহল্লক্লবগীদমক তঙাইফদনা চঙলিবা রিপোর্টশিং থাগদৌরিবা লৈঙাক্তা য়াওরিবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী ৱাফমশিংগী মতুংইন্নদি লৈঙাক্লা রেকমেন্দেসনশিং থাননবা হোৎনরকপদা মায় পাকপগী ফীভমদা লৈরে। দিমান্দসিগী লাইবক্লা তাঞ্জাসি য়ৌশিল্লকপদা চীংগী মহৈরোয়শিংগী লূপ অমনা দিমান্দসিগী মায়োক্তা লেপ্লক্লে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং উন্নদুনা দিমান্দসি পীদনবা তকশিল্লে হায়বগী ৱাফম লাক্লে। মসিদগী তম্পাক্কী লূপ অমগী মায়কৈদগী চীংগী মহৈরোয়শিংগী লূপসিদা অকক্লবা নুমিৎ ১৫নিগী মতম ফাওবা পীদুনা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখ্রে। মসিগী দিমান্দসিবু শৌগৎলিবা লূপ অমনসু প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা মরী লৈনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অমসুং মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা নবেম্বর ২৫, ২০২২দা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভমসিদি হৌজিক ফোংনা চোঙথোরক্লিবা লূপ অহুমসিগী মথক্তা অতোপ্পা চীং অমসুং তমগী লূপ খরগসু মানা-মানা পান্বা মায়কৈদা লেপ্লকপা য়াওরকপগী ফীভমদা লৈরে। দিমান্দসিগী মতাংদা ফীভমসি য়ৌরক্লবা ফাওবদা চোংথোরক্তুনা ময়ায় লেপকদবা মপি-মপা ওইরিবা লৈঙাক্লা খঙশিন্নদনা তূমিন্না লৈথোকপা চুমদে। থোরক্লিবা ইস্যুসি কাঙলূপ-ফুরুপশিং চেন্নবা অচৌবা ইস্যুনি। তরাইনা লৌবা চুল্লোই।

মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনবা নৎত্রগা চলহন্দবগী ৱাফমদি চলহন্নবগীদমক রেকমেন্দেসন থাগদবা লৈঙাক্কী খূৎতা লৈরবনি। থেংনা নৎত্রগা ঙন্না থাবা নৎত্রগা শুংথা থাদবনচিংবা ৱারেপ্পা লৈঙাক্লা লৌগদবনি। অদুবু দিমান্দসিগা মরী লৈননা লূপ খরনা মাগী মাগী অনীংবা-অপাম্বশিং তৌনরকপা অমসুং ওনশিন্নদুনা অৱাই-অখুম তৌনহল্লকপদি চুমদে। চুন্নতা অপাম-পামদগী ৱাফম ফোঙদোক্লুরগা ৱাখল তামিন্নখিবা ওইরবদি পূন্নমক্কী ওইনা অফবনি। অদুবু ওইরক্লিবা ফীভমসিনা মরম ওইরগা কাঙলূপ-ফুরুপ মশেলগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্লগদি নাকল অনীমক্তা তুনা শোক্কনি। চহী কয়াগী মমাঙদগী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকখিবগী অমত্তা ওইমিন্নবগী মরীদা শোকহল্লক্কনি। এস টি লিষ্টতা য়াওহনগদবনি হায়রিবা লূপশিংগা চনফম থোক্তে হায়রক্লিবা কাঙবুগা লৈবাক মীয়ামগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নহৌবগী মতম চপ চারে হায়নীংই। দিমান্দ অসিবু তাল্লিবা মীয়ামগী লূপশিংনসু খুনু মখোঙ শল্লৌবদৌনা থোরক্লিবা ফীভমসিমক্লা দিমান্দ অসিবু নাথৈহনখিনবা লম্বীদা চৎহনখিদনবা চেকশিনহৌবা চঙই। দিমান্দসি মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈগী হৌজিক্কী অমসুং তুংগী শুরোল-চারোলগী ওইবা তান্দবা য়াদ্রবা দিমান্দনি। লম্মখাংদা ফৈজিল্লকপা খরগা ওনশিন্নদুনা ঈয়াইদা তাকখিবা কোঙ্গোল ওইহনখিরোইদবনি। অমরোমদা লৈঙাক্লা নাকল অনীমক্কী ময়ায় লেপ্তুনা শন্তাইনবা অমসুং অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা য়াম্নমক তঙাইফদে হায়নীংই। চীং অমসুং তমগী মীয়াম্নসু ফুরুপ মশেল অমত্তা ওইমিন্নবগী মায়োক্তা লেপ্লকপা মীওই খুজোক খরগী খুদোম্বীদা চৎতনবা হোৎনগদবনি। ৱাকাই ঙাঙনবা চুমদে। ৱা কায়রদি ঈশিং চঙই। ঈশিং চঙলগনা অফবা অমসুং মপাঙ্গল কনবা ৱা ওইহল্লকপা ঙল্লোই হায়বসি ময়েক শেংলবনি। পন্থদনা লৈঙাক চোঙথোরকউ। অয়স্বদৌনা চগৌ য়েংদুনা লৈথোক্লগনু। য়োৎতি শারিঙৈদা য়ৈহৌরগদবনি। লিনসু শিনবা অদুগা চৈশুসু তেকহন্দনবা পোরম য়াৎলকউ। মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎহল্লে, ঈং-তপহল্লে। চীংমী-তম্মীগী মরক্তা লৈরম্বা অহোবা থোং শাদুনা শমজিন্নহল্লে অমসুং থোং মান্নহল্লে হায়রিবদু পুল্লপ উৎতা ঘি হৈজিনবগুম্না থোরকহন্দনবা হেঞ্জিন্নরক্ত্রিঙৈদা হোৎনহৌবা চুমগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫

১) **‘‘অঙাঙবা লৈগী অঙৌবা মচু’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) **‘‘বাস্করবিলে সাগেগী শাদানহুই’’** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **‘‘চেক্লা মাদি খঙলম্মী’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **‘‘ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)’’** হায়বসি কনানা ইবনো?

৫) **‘‘নিংঙাইদনা য়াতারিবশিং/মোংফমথকসিদা--,/হৌগৎলো নুংশিরবা মরুপশা!/ঐখোয়সু মপূং ফারে,/অহিংবশিংদা লান হৌরসে।’’** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪,৫)

২) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোং - (১)

৩) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নংথৌ পরেং - (১,২,৩,৪,৫)

৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)

৫) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)

***৬) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনিং লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***

৭) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)

৮) হৈস্নাম মাইকেল, চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায় - (১)

৯) রাজকুমার গিরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (১,৩,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৫৪গী ৱিন্নর*

***থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনিং লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৫৪গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

### ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ঙরাংগী ইস্যুদা লমায় অসিদা য়াওখিবা ***‘‘মঙাশুবা নেচরোপেথিগী নুমিৎনা লাকপদা’’*** হায়বা আর্টিকল অসিগী অইবা ***‘লৈশাংথেম অজিৎ’*** হায়খিবা অদু **‘ডা. কে বসন্ত’** হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

**- প্রুফ রিদর**

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১০০

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

যাত্রাৱালিদগী শুমাং লীলা মমিং ওল্লকপা মতমদা অনৌবা মিংথোল অমসু থোন্নবা ঐমক্তি কন্না হোৎনখিবনি। মদু লীলা মফম খুদিংদা লাউদুনা অমদি ঐখোয়না পুথোকপা অনৌবা লীলাগী পমক্লেৎ নম্বদা শুমাং লীলাগী মহুত্তা ‘শুমাং কুম্মৈ’ হায়দুনা কন্না হায়খিবনি। মতমদুদসু অহল লমন খরনা (হৌজিকপুদি লৈখিদবনা অয়াম্বা ওইরে) ঐসি য়াম্না কন্না ৱারৌখিবনি। শুমাং লীলাবু শুমাং কুম্মৈ হায়না ওস্থোক্লে। অহল লমন্না থম্বীরম্বা খুদিংমকশিং অসি মথক মখা ওস্থোক্লে, থকসি খাসি নাইদবনি হায়না ঐবু য়াম্না চৈখি। থৌওইনা ঐগী মিংথোল অসিগীদমক মীতিং ফাওবা তৌখি। অদুগা নঙনা কৌনীংবদু নরন্নাই ওইনা অদুম কৌজৌ অদুগা মদুনা মীয়ামগী ওইহল্লক্লবা শিনবদি য়ারোই হায়না ৱারেপ ফাওবা লৌখিবা লৈখিবনি। ঐনা মতমদুদা খঞ্জখিবদি লীলা হায়বা ৱাহৈ অসি ঐখোয়গী লোল নত্তে হায়বসিমা কন্না খনখিবনি। অদুনা ঐখোয়গী ওইজবা লোলদা শুমাং কুম্মৈ হায়বনা হেন্না চুনৈ হায়না খনখি। অদুবু মতমদুদা কুম্মৈ হায়বা ৱাহৈ অসিনা ঐখোয়গী পর্ফোর্মেন্স আর্ট ফোর্ম অসিগী মতিক ময়াই চমহল্লে। কুম্মৈরোমদা ওস্থোকখ্রে হায়না কম্মেন্ট য়াম্না পীনখি। কুম্মৈ হায়বা মিংথোল অসিগী মতাংদা ঐহাক মতমদুগী অখঙ অহৈ ওজা অহল কয়াগী মনাক্তা চৎতুনা হংখি। নিংথৌখোংজমগী পাবুং খেলচন্দ্র, তেরাগী ওজা কাংজিয়া, ওজা এলাংবম নিলকান্তনচিংবা কয়াগী মনাক্তা চৎখি। ওজা অহলশিং অদুনা মখোয় মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোন য়াম্না থম্বীরকখি। ওজা খরনদি, লীলা অদুম হায়য়ু হায়না তাকপীরকপসু য়াওই। অদুগা খরা অমনদি কুম্মৈ হায়না হায়বসিনা হেন্না ফজে। মসিনা ঐখোয়গী আইদেন্টিটি অমা শাগৎপদা হেন্না চুশিন্নগনি হায়না থম্বীরকপসু য়াওখি। ৱাফম অদু ঐনা ঐখোয়গী শুমাং লীলাগী অহল লমন কয়াগা অমুক খন্নখি। অদুবু অয়াম্বনদি লীলা অদুম হায়সি হায়না অরেপ্পা ফিরেপ লেপ্তুনা তাকপীখি। হৌজিকসু কনাগুম্বা খরনা শুমাং কুম্মৈসু অদুম হায়বী, শুমাং লীলাসু অদুম হায়বীরি। অদুবু ঐগী অপাম্বা অদুমদি নাকন্দা লৈহৌরে। মীয়ামগী পূক্লিং ইথিললোমদা ঐসু অদুম চৎলে।

হৌজিক মখা তানা অমুক থমজনীংলিবদি, শুমাং লীলা অসি মণিপুর পূম্বগী ওইব্রা, নৎত্রগা কাঙলূপ ফুরুপ অমত্তগী ওইবরা হায়বা অসিনি। মতাংসিদা পাউখুম খরা লৈ। শুমাং লীলাসি মণিপুরদা লৈরিবা মীপূম অয়াম্বনা কুম্মৈ অমা ওইনা য়েংবগী নুংঙাইবা অদুদি লেঙদনা লৈ। অদুগা ফুরুপশিংনা চোঙথোক্তুনা শুমাং লীলা পানখৎতুনা পুথোকপমক্তি ফনা থেংলবা ফাওবদা লৈত্রি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা, মৈতৈ পাঙলশিংগী গ্রুপ অমত্তা হৌজিক ফাওবদা থোরকপা উদ্রি। অদুবু চীংগী ফুরুপ খরা অমদি য়াম্না কা হেন্না মায় পাকপমক নৎত্রবসু শুমাং লীলাগী ফোর্মেট অসিদা লীলা পুথোকপদি লৈখ্রে। ৱাফম অসি মীয়াম্না য়াম্না ইন্টরেষ্ট লৌগনি খন্দুনা পঞ্জরম্বনি। কুমজা ২০০২দা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (এম এ সী এস) না শিনবা ঐচ আইভি/এইদসকী এৱ্যের্নেস ওইনবা মণিপুরদা লৈরিবা দাইলেক্ট কয়াদসু শুমাং লীলা অসি পুথোক্লবা ৱাফম পুথোরকখি। অদুনা মতমদুদা কাঙলূপ কয়াগী থিএটর গ্রুপ/আর্টকী ওর্গনাইজেসনশিংদা ৱার্কশোপনচিংবা তৌদুনা লীলা পুথোক্লদুনা মখোয় মখোয়গী লমশিংদা অমদি মীয়ামশিংদা এৱ্যের্নেস পীবা ওইনা শান্নহনখিবগী ৱারী ৱাখোঙ লৈরি। উখ্রুল মায়কৈগী ফুংরৈথাং হায়বা মফম অদুগী সী আর ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিনা রাইকান এসুরেন্সকী মীৎয়েং মখাদা “Ajawui Tuishot” হায়বা অমা পুথোকখি। মদু ইহান হানবা ওইনা দ্যুলালেন্দদা মী লিশীং কয়ানা য়েংদুনা উৎখিবদু ইশামকসু য়াওখি। লীলাদু উখ্রুলগী তাঙ্খুল তাবা মফম কয়াদা মায় পাক্লা উৎখিবগী পাউ মখা তানা লৈখি। অদুবু প্লে অদুদগী হেন্না মখা তাবদি শেন্থং মতিক চানা পীদনবা অমদি গ্রুপ অদুনা ফিল্মলোমদা হেন্না মায় ওনশিনখিবনা পুথোকখিবগী পাউদি লৈখিদ্রে। পাইতে ফুরুপকী ওইনসু থাদৌ য়ুনাইটেদ রুরেল য়ুথ আর্টিষ্ট, মণিপুরনসু থাদৌ লোলদা টি ঐচ অঙমগী মীৎয়েং মখাদা “Heo, Neingai Dam In” হায়বা প্লে অমা চুড়াচান্দপুরগী তুইবোংদা ইহান হান্না উৎখি। প্লে অদুমদি ঐহাক্কীসু প্রোগ্রাম লৈখিবনা য়েংবদি ফংখিদে। অদুবু মীওই কয়া অমনা য়েংদুনা লীলাদু মায় পাক্লা উৎখি হায়বগী পাউদি এম এ সী এসকী মায়কৈদগী তাবা ফংখি। ওল জেলিয়াংরোং আর্ট এন্দ কলচর ওর্গনাইজেসনলা কবুই লোলদা লানবোই কবুইগী মীৎয়েং মখাদা “ফাইকান কথান” হায়বা প্লে অমা পন্দোন, নোর্থ এ ও সীদা শান্নখি। ঐখোয়না শানরিবা শুমাং লীলাগা করিমত্তা খেন্নবা লৈতে, খেন্নরিবা হায়ববু নুপীগী রোলশিং অদু অশেংবা নুপীনা শাবা অদু মঙাই। মরমদি নুপী মানবা নুপা থিবা ফংদবদগী। তৌবতবু মখোয়গী প্লেশিং অদু মখা তাবা ঙমখিদবদগী চাওরবা মরমদি এম এ সী এসকী অখন্নবা প্রোজেক্ট অমগী মখাদা পাঙথোকখিবা ওইবা, মখোয় মখোয়গী ত্রাইব কম্যুনিতিনা মপূং ফানা সপোর্ট তৌদবা কয়া অদুনা ওইগনি। পুথোকখিবা লীলা অদু মতমদুদা লৈখিদ্রবা শুমাং লীলাগী ওজাশিং বিনোদ, ইবোতোম্বীনচিংবা কয়ানা মায়পুননা মীৎয়েং চঙখিবনি।

অতেনবা ঐগী ৱাফম অসিনা তাক্লিবদি, শুমাং লীলা হায়বসি ঐখোয় লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা মৈতৈ ফুরুপ অসিনা হেন্না থৱায় য়াওই। হেন্না পাম্মী অমদি আর্ট ফোর্ম অসিবু শৌগৎনীংই হায়বসিমদি শোয়দ্রে। শুমাং লীলাসি ঐখোয়গী লৈরক খুল্লক, খুঙ্গং খুদিংমক্তা য়াম্না কা হেন্না পাম্নে। অচিনবা থবক কয়া লৈরবসু শুমাং লীলা অমা লৈকায়দা তৌদৌরি হায়বা মতমদা কনানসু মাগী থবক্তুনা লুই হায়দুনা য়েংদবা তৌদে। চাক থোংলম্বা ফাওবা হাওবা হাওতবা লোইশিন্দনা থনম্মগা মশাগী ফম্নবা ফিদা, মোরা, ফান, চৌক্রি, ফক পুদুনা চেন্নরকপা ঙাক্তনি। শুমাং লীলা য়েংফমদা ইমুং মনুং ইশু শুনা পুনগনি। ইয়াম্বা লৈরি, ইতৈমা লৈরি, ইকু-ইনেম লৈরি, ইতৈ লৈরি, ইনাও লৈরি হায়বা অমত্তা থিদনা লীলা অদুগী মায়ওন খুদিংদা পূক্লিং পেন্না পেন্না নোকপা অমদি পূক্লিং নুংঙাইনা ৱা ৱা নোক্তুনা লীলা য়েংমিন্নে। কনা অমত্তনা লীলা য়েংফমদা অতোপ্পদা হন্না য়েংনবা চৎনদে। লীলা অদুদা মমিৎ কুপ্তুবা মখৈ য়েংনরিবনি। কপনীংবা মতমদা হিক হিক কপথোকপা, নোক্লিংবা মতমদা ৱা ৱা নোকথোকপা শুমাং লীলাগী থোইদোকপা মতিক ময়াইনি। য়ূম য়ূমদা কনামত্তা লৈহৌরোই। শুপ্নতগী অহল ওইরবা হৌগৎপা কাংখৎপা খুদোং চাদ্রবা খরনা য়ূম শংহৌগনি। অদুসু য়ূম য়ূমদা ৱা ওইনা থোক্লুরিবনি। য়ূম শংবীনবা ঙাঙনবদা, মরমদি অহল নহা হায়বা লৈতনা শুমাং লীলাবু য়েংবা পাম্নে। ঐখোয়গী লমদম অসিসু হরাও কুম্মৈসি অসুক্কী মতিক পাম্নবা লমদম অমসু ওইনা হৌরকই। লমদমসিদা থোকপা পোখোক্লা কুম অমগী চাবা থকপা মরাং কায়না লৈরিঙৈ, অয়াম্বা মতমদা লৌবুক্তা, ইশ্খোলদা থবক শুরুরগা লৌরোক পান্থা য়ৌদ্রিঙৈ মতমদা হরাও কুম্মৈদা মায় ওনশিল্লি। লৌ লোক্লবা মতুংদসু হরাও নুংঙাইবা পোখাবা মতমদা হরাও কুম্মৈনা মহুৎ শিল্লি। নাকল অমরোমদা থাচৎ খুদিংগী লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা, হরাও কুম্মৈ অসি লেপ্পা লৈতনা অদুম লৈ। য়াওশঙ, শজিবু চৈরাওবা, কালেন হরাওবা, কাং চিংবা, হরি উথান, দিৱালি, নিংঙোল চাক কৌবা, খৃষ্টমাস মরক মরক্তা অতৈ লাইনীং লাইশোনখক্তগী ৱা নত্তনা, লুহোংবা, নাহুৎ নারেং, ইপান থাবা, চাকচা হৈজানবনচিংবা কুম্মৈ মখল কয়া অমা লৈবনা, খজিক্তং মীয়াম পুনশিল্লগা, পুন্না ময়াম নুংঙাইমিন্নবা, য়েংমিন্নবা য়াবা থিবদা ইচম চম্না মফম অমদা, শুমাং অমদা হেক্তা পাঙথোকপা য়াবা, শেলসু ইতিং তিংদবা, কা হেন্না শেমজিন শাজিনবা য়াওদবা শুমাং লীলাসি য়াম্না পোপ্যুলর ওইনা মীয়াম্না পাম্নরকই। শুমাং লীলাগী মনুংদা অমুক য়েংবা য়ারিবদি, শুমাং লীলানা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা, নিংথৌগী লৈঙাক্তা পেন্দবা কয়া লৈবা অদু ইফোং ফোংনা ফাগি ওইনা নৎত্রগা ৱারী ৱাতাই ওইনা দোং দোং হায়দোকপা ঙম্বা, মীয়ামগী ইহুল য়াম্না মুন্না খঙবা মখলগী প্লে ওইবা, ইমুং মনুংদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক, অমগা অমগগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশিনদবা কয়া অদু মকা লাম্না ইফোং ফোংনা শুমাং লীলানা হায়দোরকই। মসি অতাবা, অয়েংবশিংনা পেন্নে। অদুনা ইমুং কয়া লীলা য়েংমিন্নরুবদগী মখোয় মখোয়গী শাজৎ লিচত্তা অশেংবা অচুম্বা করিনো খঙলক্তুনা, ইকায়নদুনা শাজৎ হোংনরকপা কয়া অমা লৈরিবনি। শুমাং লীলানা মীওইবগী পুন্সিদা অমদি খুন্নাইগী খোঙচৎতা য়াম্না শাথীনা অহোংবা পুরক্তুনা লাকই হায়বসিদি নাখৈ য়াম্না শেংলবনি। অদুনা শুমাং লীলানা অতৈ পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্মশিংদগী তুং কোইনা মীয়ামগী মরক্তা মতিং লৈনা হিংবা ঙল্লিবনি। অদুবু শুমাং লীলানা মশাগী মরমচৎতগী খজিক কায়থরকপা, হাইদোরকপদা, মীয়ামগী ৱাখল মীৎয়েংসু শোয়দনা হোংলক্কনি। অদুনা শুমাং লীলাদি ইচম চম্না মীয়ামগী ওইনা লৈবনা হেন্না চুনগনি হায়না খল্লি। ●

# টাইৱান ইলেক্সননা করি তাক্লি

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

চহী ২৫ হেন্না লৈরকপসিদা ঐহাক্লা খ্বাইদগী চাওথোকচখিবসি টাইৱানগী য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা মীখল (ইলেক্সন) নি। অদুবু লাইবক থীবদি ঐহাক্কী টাইৱানগী দেমোক্রেসিদা চাওথোকচবা অমদি থাজবা অসি ২০২০গী টাইৱান প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা পুংমাঙ মাঙহনখি। হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা, লৈঙাক পায়রিবা দি পি পি (দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি) গী চ্যেরমেনসু ওইরিবা Tsai In-Wen না অনীশুবা টর্মদা য়াম্না থীনা মায়থীবা নংগদবা অদু উবদগী মহাক্কী পোলিটিকেল পাৱর লান্না শীজিন্নদুনা ইলেক্সনদা চেনা শাবা বেলোট পেপর শীজিন্নদুনা মহাক্লা ফংবদা ওইথোক্লবা ভোট মশীং মিলিয়ন ৪ হুরান্দুনা পূন্না মিলিয়ন ৮.১৭ ফংদুনা ভোট কাখি। অশেংবা খঙবীনীংবা লৈরগদি Jason Lee কৌবা টাইৱানিজ-অমেরিকান অমনা থাগৎলকপা য়ুট্যুব ভিদিও অমগী মনুংদা সিদা থমজরিবা ভিদিও অসি য়েংবীরগা খঙবীগনি “2020 Taiwan Election Rigged by Tsai Administration by over 4 million ballots”।



**খ্বাইদগী নহা অইবা কে এম টিগী চিআংনা ২০২২ তাইপৈ ময়োল মীখলদা মায় পাকপা**

Tsai গী মমাঙদা টাইৱানগা দিপ্লোমেটিক মরী লৈনরম্বা লৈবাকসি ২২নি। অদুবু মহাক্কী অহানবা প্রসিদেন্সিএল টর্মদা লৈবাক ৭ টাইৱান থাদোক্তুনা চৎখি, লোয়ননা টাইৱানগী শেন্মীৎলোন অসুক্কী মতিক শোন্থরকখি। মসিগী মথক্তা টাইৱানগী মীয়াম্না ঈংনা তপ্পা লৈবা ঙমদনা প্রোটেষ্ট কয়া চথখিবনি মহাক্কী gay marriage law নম্ফুদা পাস তৌনবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা। অসুম্না লৈরিঙৈ তাঞ্জাদুদা মতৌ করম্না মহাক্লা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা ভোট মিলিয়ন ৮.১৭ ফংগদৌরিবা, ওইথোক্তবনি। মরম অসিননি মহাকপু অশেংবা টাইৱানগী প্রসিদেন্টনি হায়না লৌনদ্রিবা মীয়াম্না। ঙসি ফাওবদা Tsai না প্রসিদেন্ট ওইরকপদগী টাইৱানগী দিপ্লোমেটিকা মরী লৈনরম্বা লৈবাক ৯ টাইৱান থাদোক্তুনা চৎখ্রে।

Tsai ing-Wen না ভোট মিলিয়ন ৪ হুরান্দুনা ভোট কাখিবা মতম (২০২০) অদুদগী ঙসি ফাওবদা টাইৱানগী দেমোক্রেসি লোইখ্রমাল্লে খন্দুনা লাকখিবনি ঐহাক। ৱাখল্লোল অসি লৈনা লৈনা হন্দক্কী county mayor election অসিদসু শোয়দনা ভোট হুরান্দুনা দি পি পিগী মেয়রশিং খনখিগনি খন্না খন্না ভোট থাদবা চৎখি ঐহাক্কী লোয়নবীগা। অদুবু মদুগুম্বা হুরান-চিন্থি অদু থোক্তনবা ওপোজিসনদা লৈবা কে এম টি (কৌমিন্তাং) না প্রাইভেট ভোলন্টিয়র লিশীং ৫০ হেন্না থাদোক্তুনা মফম অয়াম্বদা য়েংশিনবদগী মফম অয়াম্বদা ভোট হুরানবা ঙমদনা ভোট লোইশিনখি। অদুবু দি পিনা য়াম্না কন্না পায়বা মফম অহুমদদি শোয়দনা হুরান্দুনা কাখিবা ওইরমগনি হায়না লৌনরি মীওই কয়ানা। চিংনবা অসি লৈবনা খ্বাইদগী খা থংবদা লৈবা পিস্তুং হায়রিবা কন্ত্রি অসিদদি ভোট রিজল্ট অমুক হন্না থিননবা কোর্টতা ফাইল তৌখ্রে।

মতৌ অসুম্না কে এম টিনা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নখিবনা চৎলিবা চহীসিগী নবেম্বর ২৬তা কন্ত্রি মেয়র (গভর্ণরস) খনবগী মীখলদা টাইৱান্দা পূন্না কন্ত্রি (কন্সটিট্যুএন্সি) ২১ লৈবগী মনুংদা ওপোজিসনদা লৈরিবা কে এম টি পার্টিনা (কৌমিন্তাং) সিট ১৩ ফংদুনা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপা পার্টি ওইরে। অদুগা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা দি পি পি (দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি) না শুপ্নগী মীরেপ মঙাখক মায় পাকপদগী পার্টি অসিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা Tsai Ing-Wen মহাক্কী পার্টি চ্যেরমেন ওইবগী ফম থাদোকখ্রে। লেমহৌরিবা মেয়র ৩সিগী মরক্তা ২দি কে এম টিদগী টিকেট ফংদুনা ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা লেপখিবা মীরেপনি অদুগা অমনা টাইৱান পিপল পার্টিদগীনি। হন্দক্কী ইলেক্সনগী ফল (রিজল্ট) অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি দুদি টাইৱানগী মীয়াম্না হৌজিক পাল্লিবা প্রসিদেন্ট মহাক্কী পার্টি অসিদা মীয়াম্না থাজবা লৈত্রে হীরম খুদিংমক্তা য়েংলুবদা।

হৌখিবা চহী তরুকসিদা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা দি পি পিনা হেক পায়রকপদগী চাইনাগা লৈরম্বা অফবা মরী অদু অসুম অসুম হন্থরক্তুনা ঈংনা তপ্না মীয়াম্না হিংবা ঙমদবগী মথক্তা হন্দক্তা য়ু এস এগী হাওস স্পিকর নেন্সি পেলোসিবু ইনভাইট তৌশিন্দুনা কৌরুবদগী চাইনাগা লান থোক্কদবা খজিক্তা ঙাইখিবনি অদুবু চাইনানা য়ুক্রেনদা মীশি-মীনা অমদি অমাঙ অতা কয়া থোক্লিবা অসিগুম থোকহন্নীংদবদগী চাইনানা য়াদে হায়বদুখক য়ু এস এ অমদি টাইৱান্দা উৎলগা তোকখিবনি। করিগুম্বা লান থোকপা তারবদি শোক্কদৌরিবসি দি পি পিগী লৈঙাকপশিং অসি নত্তে টাইৱানগী নহারোলশিংনি, লান্মী অমদি মীচম মীয়ামনি। করম্বা মমা মপানা, লোয়নবীনা মখোয়গী নৌরিবা মচাশিং অমদি মপুরোইবশিংবু হৌরকফম ঈ তিন্নবা, নাৎ, লোল, চাকচা য়ুথক লোইনা মান্নবা মচিন মনাওশিং অসিগা লান তৌবা পামগদৌরিবনো। অমরোমদনা চাইনাগী মায়োক্তা লান থেংনরুবা হায়বসি টাইৱানগী ওইনা মায়কৈ খুদিংমক্তা মাঙজবা নত্তনা করিসু কান্নবা ফংলোই হায়বসি মীয়াম্না উদুনা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা সপোর্ট তৌরক্তবনি।

অতোপ্পা য়াম্না চাউবা মরম অমনা, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৈঙাক হেক পায়রকপদগী টাইৱানগী ইকোনোমিক্স অসুক্কী মতিক শোন্থরবনি। মীওই কয়া অমা থবক ফংহনদ্রে, থা থাগী তোলোপতি হেনগৎতে অদুগা পোৎ চৈদি নোংম-নোংমগী তাঙবা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। চাইনাগা নীংথিজনা লল্লোল ইতিক তৌদুনা ফার্মরশিংনা শেল তাঞ্জদুনা হিংলম্বসু মরী ফত্তবদগী শেল তানবা ঙমদ্রে। হান্না চাউনা চাউনা তৌরম্বা বিজিনেস কয়া অমা থোঙ লোনশিনখ্রে অদুগা তৌরিবা খরা অমনা তঙ্খাই তঙ্কাই পিকশিনখ্রে। য়েংবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইতে।

শেল-থুমগী অমদি চাইনাগা লৈনবা মরী থুগাইবতা নত্তনা চাইনিজশিংগী মশাগী ওইজবা চহী লিশীং কয়া চৎনদুনা লাক্লবা নাৎকী চৎনবী কয়াবুদি চাওখৎনবা হোৎনদনা কঞ্জার্ভেটিভ ওইনা হিংজবা খুন্নাই অসিদা মহাক মশামক্লা লেজবিয়ন অমা ওই হায়দুনা মীয়ামগী মায়োক্তা গে অমদি লেজবিয়নশিংগী মেরিএজ লো মীয়ামগী মায়োক্তা পাস তৌশিন্দুনা মীয়ামগী ইহুল থুগাইদুনা লাকখিবনি। মতৌ অসুম্না টাইৱাননা এসিয়া পূম্বগী মনুংদা খ্বাইদগী অহানবা লমদম অমা ওইখিবনি গে মেরিএজ লো পাস তৌবা। অতৈ লৈবাক অমত্তা লৈত্রি এসিয়াদা। করি মরমগী লৈত্রিবনো হায়রগদি হায়রিবা চৎনবী অসি ঐখোয় নোংচুপলোমগী চৎনবীগা চানদে হায়বনি।

মসিদা লোইদ্রি। মহাক্কী পি ঐচ দি দিগ্রীসু লোইশিনখিবা লৈতে হায়দুনা কেস তৌনবদগী কনফিদেন্সিএল ওইনা কনা অমত্তনা য়েংবা য়ারোই হায়দুনা শাংলবা চহী ৫০ নমশিন্দুনা থমখ্রে। মসিগী য়েৎনবা লোইদ্রি ঙসিসু। অশেংবা পি ঐচ দি দিগ্রী পায়রবদি করিগীদমক লোৎশিন্দুনা থমগদৌরিবনো। মীওই অয়াম্বনা মখোয় মখোয়গী পি ঐচ দি অমদি রিসর্স পেপরশিং অতোপ্পা রিসর্সরশিংনা শীজিন্নদুনা মীং পনবীবা পাল্লিবনি অদুগা মহাক্কী পি ঐচ দি থেসিসনা করিগী লোৎশিন্দুনা থমগদৌরিবা অশেংবা ওইরবদি। মসিদা ময়ামসু অদুম খঙবীরো Tsai অসি অশেংবা পি ঐচ দি দিগ্রী পায় পায়দে হায়বদো। অসিগুম্বা হুরান্দুনা ভোট কাবা, মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা, শাশিন্নবা দিগ্রী পায়বা, শেন্মীৎলোন অমদি চাইনাগা অফবা মরী থম্বা ঙমদবা, টাইৱানগা মরী লৈনবা লৈবাক কয়াগা মরী থম্বা ঙমদবা ময়াম অসিগী মহয় (রিজল্ট) নি ঙসি লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিনা কন্ত্রি ২১ লৈবগী মনুংদা শুপ্নতগী কন্ত্রি ৫ খক মায় পাকপা ঙল্লিবা। মঙাসিসু অমদি ভোটকী রিজল্ট অমুক হন্না থিননবা কেস ফাইল তৌরকখ্রে য়েংবা তারি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪গী পাউখুম

১) **‘‘ওইরগদ্রা অরোইবা’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো? **:- লাইরিক্কী মখল - শৈরেং; অইবা - এস ভানুমতি দেবী; অহানবা ফোঙবা, ২০১১।**

২) **‘‘ৱৎসনিংথৌ উদয়ন’’** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবদু কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- ওরিজিনেল লাইরিক্কী অইবা - ডা. রামকুমার ৱর্মা; মণিপুরীদা হন্দোকপা - সৌগাইজম নবচন্দ্র সিংহ; অহানবা ফোংবা, সেপ্টেম্বর, ২০০৪।**

৩) **‘‘ক্লি ওপাট্রা অপাম-নুংশি লাংথাকপী’’** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা; অহানবা ফোঙবা, ২০১৪ ইং।**

৪) “খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবনা হান্না লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ লাকনা কোরৌ নোং-ও য়েংও, মালেম লৈ ও খঙঙো। হৈরেম ইপল লম নঙ চুম্মো হায়না ৱায়রা তেন্থাববু শোয়রেন ফুমি তূনা তেনবাল্লে। চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ পায়না কোরৌ নোংও য়েংও মালেম লৈ ও খঙও, হৈরেম ইপল লম নঙসুঙ চুমও হায়না ৱায়রা তেন্থাবদি খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবগী ফৈরা মতান পাংমা তুরে।” ৱাহৈ পরেং অহুম অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো? **:- লৌথোরকফম লাইরিক - চায়নরোল (লা.৫); সম্পাদন তৌবা - শ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ; অনীশুবা ফোঙবা, ১৯৮৮ ইং।**

৫) **‘‘ৱারেপ’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - ঐচ বেনুবালা; মখল - ৱারীমচা; অহানবা ফোঙবা, ওক্টোবর, ২০১৩।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।